# য়ুএসকী এফদিএনা ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টশিংগী মায়োক্তা কোভিদ বুষ্টর সোর্টশিং শাননবা রিকমেন্দ তৌখ্রে

ৱাশিংতন, জুলাই ১ (এজেন্সী): য়ুএসকী ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন (এফদিএ) না ওমিক্রোনগী বিএ.৪ অমসুং বিএ.৫ ভেরিয়েন্টশিং টার্গেট তৌদুনা কোভিদ ১৯ গী মায়োক্তা বুষ্টর সোর্টশিং শাননবা ভেক্সিন মেন্যু-ফেকচররশিংদা রিকমেন্দ তৌখ্রে।

হৌজিক শীজিন্নরিবা ভেক্সিন-শিংনা কোভিদকা মরী লৈনবা হোস্পিটলাইজেসন অমসুং মী শিহনবগী চাং হন্থহনবদা মতেং পাঙলবসু ষ্টদি কয়াগী রিজল্টশিংনা প্রাইমারি ভেক্সিনেসন্না পীরিবা ইফেক্তিব ওইবগী চাং অসি ওমিক্রোন য়াওনা অকক্লবা ভেরিয়েন্ট খরগী মায়োক্তদি মতমগী মতুং ইন্না হন্থরকই হায়বসি উৎখ্রে।

হৌজিক হৌজিক মালেমগী মফম কয়াদা ইনৌ নৌনা কোভিদকী কেসশিং হেনগৎহল্লিবা ওমিক্রোনগী বিএ.৪ অমসুং বিএ.৫ ভেরিয়েন্টশিং অসি ভেক্সিন কাপ্পদগী হকচাংদা লাকহল্লিবা ইম্যুনিটিদগী নাথৈবা ঙম্মী হায়বসি খঙলে।

এফদিএগী রিকমেন্দেসন অসি ভেক্সিনশিংগী ওইবা ইন্দিপেন্দেন্ট এক্সপার্টশিং অমদি ভেক্সিনশিং অমসুং মরী লৈনবা বাইওলোজিকেল প্রদক্টস এদভাইজরি কম্মিটিগী পাউতাক্তা য়ুম্ফম ওইবনি।

কম্মিটি অসিনা সেপ্টেম্বরদগী য়ুএসতা বুষ্টরশিং ওইনা শীজিন্ন-গদৌরিবা কোভিদ ১৯ গী ভেক্সিনশিংদা ছার্স-কোভি-২ ওমিক্রোন কম্পোনেন্ট য়াওহনবগী ৱাফম শৌগৎখি। শগোলশেল নুমিত্তা এফদিএগী সেন্টর ফোর বাইওলোজিক্স ইভাল্যুএসন এন্দ রিছার্সকী দিরেক্তর পিটর মাক্সনা হায়খি, মদুদি নিংথম থা চঙলকপগা লোয়ননা ঐখোয় সেফ অমসুং ইফেক্তিব ওইবা ভেক্সিন বুষ্টরশিং মথৌ তাই।

অদুগুম্বা বুষ্টরশিং অদু কোভিদ ১৯ গী খ্বাইদগী শাথিবা লায়নাগী ফিভম থিংনবগীদমক হৌজিক লৈরিবা অমদি লাক্কদৌরিবা ভেরিয়েন্টশিংদগী ঙাকথোকপা ঙমগদবনি। ঐখোয়না মেন্যুফেকচররশিংদা মখোয়গী কোভিদ ১৯ ভেক্সিনশিং অপদেট তৌদুনা ওমিক্রোনগী বিএ.৪/৫ স্পাইক প্রোটিন কম্পোনেন্টবু হৌজিক লৈরিবা ভেক্সিনগী কম্পোজিসনদা হাপচিনগদবা মওংদা মোদিফাই ভেক্সিনশিং পুথোক্নবা পাউতাক পীখ্রে।

মসিনা মেন্যুফেকচররশিংবু কম্পোনেন্ট বুষ্টর ভেক্সিন অনী পুথোকপা ঙমহনগনি। মোদিফাই ভেক্সিনশিং অদু চহী অসিগী নিংথমথাগী অঙনবা শরুক্তগী শীজিন্নবা য়াগদবা মওংদা পুথোক্কদবনি।

অদুম ওইনমক এফদিএনা প্রাইমারি ভেক্সিনেসনদা শীজিন্নবা ভেক্সিনশিংদা অহোংবা লাকহন্দনবা মেন্যুফেকচররশিংদা পাউতাক পীখ্রে। মসি হৌজিক থেংনরিবা সাস-কোভি-২গী ষ্ট্রেনশিংনা থোকহল্লিবা কোভিদকী অরুবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোক্নবগী বেজ অমা লৈহন্নবগীদমক্তনি হায়রি।

ফাইজর, মোদরনা অমসুং নোবা ভেক্সকুম্বা ভেক্সিন মেন্যুফেক-চররশিংনা ওমিক্রোনদা টার্গেট তৌবা মখোয়গী সোটশিংগী ভর্সনশিং টেষ্ট তৌদুনা লাক্লি। বিএ.১ ভেরিয়েন্টদা বেজ তৌবা মখোয়গী অঙনবা দেটা অদুনা হৌজিক লৈরিবা সোটশিংগা চাংদম্নবদা ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টতা হেন্না কনবা ইম্যুন রেস্পোন্স পীবা ঙম্মী হায়বসি উৎলি।

এফদিএনা দ্রগ মেক্করশিংদা বিএ.৪ অমসুং বিএ.৫ সোটশিংগী মতাংদা অহেনবা কেমিকেল চাংয়েংশিং পাঙথোক্নবা পাউতাক পীখ্রে।




# ইন্দিয়া, পাকিষ্টাননা কষ্টদিদা লৈরিবা সিভিলিয়ন প্রিজনরশিং অমসুং ঙামীশিংগী লিষ্টশিং পীনখ্রে



ইস্লামাবাদ, জুলাই ১ (এজেন্সী): ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টাননা ইরাই নুমিত্তা দিপ্লোমেটিক চেন্নেলশিংগী খুত্থাংদা মতম অমত্তদা মখোয়গী কষ্টদিদা লৈরিবা মীচম প্রিজনরশিং অমসুং ঙামীশিংগী লিষ্টশিং একচেঞ্জ তৌনখ্রে।

ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী কষ্টদিদা লৈরিবা পাকিষ্টানি সিভিলিয়ন প্রিজনর ৩০৯ অমসুং ঙামী ৯৫ গী লিষ্ট পাকিষ্টানদা শিন্নখি। অসুম তৌদুনা পাকিষ্টাননসু লৈবাক অসিগী কষ্টদিদা লৈরিবা ইন্দিয়নশিং নত্ত্রগা ইন্দিয়নশিংনি হায়না থাজবা সিভিলিয়ন প্রিজনর ৪৯ অমসুং ঙামী ৬৩৩ গী লিষ্টশিং ইন্দিয়াদা পীখ্রে।

কুমজা ২০০৮ তা কোন্সুলর এসেসকী মতাংদা পুরকখিবা এগ্রিমেন্টগী প্রোভিজনশিংগী মখাদা লৈবাক অনীনা অসিগুম্বা লিষ্টশিং চহী খুদিংগী জনুৱারী ১ অমসুং জুলাই ১ দা একচেঞ্জ তৌনৈ।

ন্যু দিল্লিদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্সনা ফোঙদোকখিবদা গভর্নমেন্টনা পাকিষ্টানগী কষ্টদিদা লৈরিবা সিভিলিয়ন প্রিজনরশিং, থীবা খঙখিদ্রবা ইন্দিয়ন দিফেন্স পার্সনেলশিং অমসুং ঙামীশিংগা লোয়ননা মখোয়গী হিশিং ঙন্না থাদোকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা থারক্নবা হায়খ্রে।

জেলদা লৈবগী মতম মপুং ফারবা অমদি নেসনেলিটি কনফার্ম তৌরবা ইন্দিয়াগী ঙামী ৫৩৬ অমসুং ইন্দিয়াগী মীচম প্রিজনর ৩ থাদোক্তুনা ইন্দিয়াদা থারকপগী প্রোসেস থুজিন্নবা পাকিষ্টানদা তকশিনখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি ইন্দিয়ানা প্রিজনরশিং অমসুং ঙামীশিংগী মতাংদা লৈবাক অনীগী কষ্টদিদা লৈরিবশিং অদুগা মরী লৈননা হ্যুমেনিটেরিয়নগী ওইবা ৱাফম পুন্নমক্তা মখা তানা কম্মিটমেন্ট থল্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানদা ঙামীশিং য়াওনা পাকিষ্টানি প্রিজনর ৫৭ কী নেসনেলিটি ষ্টেটস কনফার্ম তৌরক্লবগীদমক মথৌ তাবা প্রোসেস য়াংশিন্নবা ইস্লামাবাদতসু তকশিনখ্রবনি।

পাকিষ্টাননা নেসনেলিটি কনফার্ম তৌরক্তবনা মরম ওইদুনা প্রিজনরশিং অদু ইন্দিয়ানা থাবা ঙমদনা লৈরিবনি। কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক্কী য়েংলগা পাকিষ্টানদা ইন্দিয়াগী মীচম প্রিজনর অমসুং ঙামীশিংনি হায়না থাজরিবা মীওইশিং অদুগী সেফতি, সেক্যুরিটি অমসুং ৱেলফেয়রগী ৱাফম য়েংশিনবীনবা হায়জখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তাখি।

# ওপেক প্লসনা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা থাউ পুথোকপগী চাং হেনগৎলগনি

ভিএনা, জুলাই ১ (এজেন্সী): ওর্গনাইজেসন ওফ পেট্রোলিয়ম এক্সপোর্টিং কন্ট্রিস (ওপেক) অমসুং মসিগী ওপেক প্লস হায়না খঙনবা গ্রুপ অমা ওইরিবা মীচংশিংনা হান্না লেপখিবগুম লাক্লিবা ওগষ্টতা থাউ পুথোকপগী চাং হেনগৎকনি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।



হৌখিবা জুনগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা মমাঙগী মীটিংদা ওপেক প্লসনা সেপ্টেম্বর থাগী ওইনা থাউ পুথোকপগী চাং নোংমদা ভেরেল ৪৩২,০০০ হেনগৎহন্নবা অমদি হেনগৎলিবা থাউ অদু মমাঙগী থা অনীগা মান্নना য়েন্থোক্তুনা প্রদক্সনগী চাং জুলাই অমসুং ওগষ্টতা বিপিদি ৬৪৮,০০০ দা য়ৌহল্লগনি হায়রি।

শগোলশেল নুমিত্তা পাঙ-থোকখিবা ৩০ শুবা ওপেক অমসুং ননওপেক মিনিষ্ট্রিএল মীটিংদা ওগষ্ট থাদা থাউ পুথোকপগী চাং বিপিদি ৬৪৮,০০০ হেনগৎপগী ৱাফম অসি কনফার্ম তৌখি হায়না মীফম অদু লোইরবা মতুংদা ওপেকনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরক্লি। ষ্টেটমেন্ট অদুনা ৱারেপ অদু হৌজিক লৈরিবা ওল্দ মার্কেটকী ফন্দামেন্টেলশিং অমদি মসিগী ফিরেপকী মতাংদা য়ান্নবদা য়ুম্ফম ওইবনি হায়খি।

ওইল এল্লাইয়ন্স অসিনা ৱারেপ অসিবু লৌরক্লিবসি শুংদোক্ত্রিবা থাউগী মমল ৱাংদুনা লৈরিঙৈ অমসুং জিও পোলিটিকেলগী উংখৎনবশিং লৈরিঙৈগী মরক্তনি। হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা ৱেষ্ট টেক্সাস ইন্টরমেদিয়েট (দব্লিয়ু টি আই) অমসুং ব্রেন্ট ক্রুদ অনীমক্কী মমলশিং বেরেল অমদা য়ুএস দোল্লর ১১০ রোমগী চাংদা লৈখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস য়াওনা মরু ওইবা ওইল কঞ্জুমরশিংনা ওপেক প্লসতা থাউগী মমল হন্থনবা থাউ পুথোকপগী চাং হেনগৎনবা প্রেসর পীদুনা লাক্লিবসু ওইল প্রদ্যুসর গ্রুপ অসিনা পুথোকপগী চাং থেংখাং নাইনা তপ্না তপ্না হেনগৎপগী থৌরাং ইন্দুনা লৈরিবনি। কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক্না দিমান্দ হন্থহনবদগী ওপেক প্লসনা কুমজা ২০২০ দা থাউ পুথোকপগী চাং অদুক্কী মতিক হন্থহনখি। কুমজা ২০২১ গী জুলাইদা গ্রুপ অসিনা থাউগী পোথোক থেংখাং নাইনা হেনগৎপগী ৱাফম য়াখিবগা লোয়ননা কোভিদনা মরম ওইদুনা হন্থহনখিবশিং অদু কুমজা ২০২২ গী সেপ্টেম্বর ফাওবগী মনুংদা মপুং ফানা লৌথোকপগী পান্দম থল্লি হায়না লাউথোকখি।

জুলাই অমসুং ওগষ্টতা থাউ পুথোকপগী চাং হেনগৎনবা লেপ্লে হায়না লাউথোকখ্রবা ওপেক প্লসনা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি সেপ্টেম্বর অমদি মসিগী মতুং তাবা থাশিংগী অনৌবা প্রদক্সন টার্গেটশিংগী মতাংদা ৱারেপ লৌবা লৈত্রি।

ইস্যু অসি শগোলশেল নুমিত্তা গ্রুপ অসিনা থোকখিবা ষ্টেটমেন্টদা লৈখায় তাখিদ্রবসু ওগষ্ট ৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওপেক প্লসকী মথংগী মিনিষ্ট্রিএল মীটিংদা হিরম অসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌরবা য়াই হায়রি।

# বৈজিংনা মপুং ফানা কন্ত্রোল তৌখিবদগী হোংকোংগী কেরেক্তরদা অহোংবা চাওনা লাক্লে



হোংকোং, জুলাই ১ (এজেন্সী): বৈজিংনা মপুং ফানা কন্ত্রোল তৌখিবদগী হোংকোংগী কেরেক্তরদা অহোংবা মপুং ফানা লাক্লে হায়না থাজনরি।

কুমজা ২০১৯ দা সিটি অসিদা পাত্তক্লনা প্রো-দেমোক্রেসি প্রোটেষ্টশিং চত্থখিবা মতুং মথংগী চহী ২০২০ দা অসিগুম্বা প্রোটেষ্টশিং থিংনবগী পান্দমগা লোয়ননা বৈজিংগী ইথিল মখাদা অনৌবা নেসনেল সেক্যুরিটি লো অমদি ইলেক্তোরেল রিফোর্মশিং পুথোকখিবনি।

ওবজার্বরশিংনা হায়রি, মদুদি লো অদু পুথোকখিবদগী হৌজিক্তি সিটি অসিদা অফবা দিমোক্রেটিক পোলিটিকেল সিষ্টেম চৎনহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈরক্তবগা লোয়ননা বৈজিংনা মপুং ফানা কন্ত্রোল তৌখ্রবা সিটি অসিগী কেরেক্তরদা অহোংবা চাওনা লাক্লে হায়বগী অকিবা লৈরে।

সিটি অসি থাদোক্তুনা চেনখ্রবা হান্নগী প্রো-দেমোক্রেসি লো মেক্কর টেদ হুইনা হায়, হোংকোংগী মী অয়াম্বনা "ৱান কন্ত্রি, টু সিষ্টেম" অসি চৎনদ্রে হায়না লৌনরি।

ওথোরিটিশিংনা হায়রি, মদুদি সিটি অসিদা বৈজিংনা চৎনহল্লিবা নেসনেল সেক্যুরিটি লো অদুনা শুপ্নগী সিটি অদুগী মীওই খরদমক কন্ত্রোল তৌরি। তৌইগুম্বসুং হান্নগী প্রো-দেমোক্রেসি লো মেক্কর অসিগী মতুং ইন্না লো অদুনা হোংকোংগী মনিং মখা তমদুনা লাকপা সিভিল সোসাইটিবু মপুং ফানা কন্ত্রোল তৌবগুম থোক্লি। লো অসি চৎনরকপদগী পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং য়ুনিয়নশিং য়াওনা গ্রুপ কয়া মুত্থৎখ্রে। কুমজা ১৯৮৯ গী টিআনানমেন্ট স্কৱার মেসেকর নীংশিংদুনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা কেন্দল লাইট ভিজিল অমসুং জুলাই থাদা পাঙথোকপা হেন ওভর এনিভর্সরিগী খোঙচৎ ওথোরিটিশিংনা ইফেক্তিব ওইনা থিংজিনখ্রে।

মেদিয়া রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না এপ্পল দেলি অমসুং ষ্টেন্দ ন্যুজ য়াওনা প্রো-দেমোক্রেসি মেদিয়া আউটলেট হৌখিবা চহী অসিদা থিংজিনখ্রে। মতম অমদা এসিয়াদা প্রেস ফ্রিদমগী লমজিং মৈরানি হায়না লৌনরম্বা হোংকোং অসি চহী অসিগী মালেমগী ওইবা প্রেস ফ্রিদমদা ১৪৮ শুবা রেঙ্কতা লৈদুনা মমাঙগী চহীদগী মফম ৭০ রোম হন্থখ্রে।

# ফিজিদা কোভিদ কেস ৱাংখৎলকপদগী ওথোরিটিশিংনা অমুক হন্না অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং চৎনহনখ্রে




সুবা, জুলাই ১ (এজেন্সী): ফিজিদা কোভিদকী অনৌবা কেসশিং হেনগৎলকপদগী ইরাই নুমিত্তা ওথোরিটিশিংনা ইথৎ লৈবাক অদুদা লায়না অসি লাকশিন্নবগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং অমুক হন্না চৎনবা হৌইনখ্রে।

ফিজি ব্রোদকাষ্টিং কোর্পোরেসনগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, হোস্পিটালশিংদা কোরোনা ভাইরস লাকশিন্নবগী হেন্না কনবা চেকশিন থৌরাংশিং অমুক হন্না চৎনহন্নবা খঙহনখ্রে। অতৈ থবক্কী মফমশিংদসু কোভিদ ১৯ গী সেফতিগী থৌরাংশিং হেন্না কনবা মওংদা লৌখৎননবা খঙহনখ্রে।

হেল্‌থকী পার্মেনেন্ট সেক্রেটরি জেমস ফোংনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অদুগী হোস্পিটালশিংনা হৌজিক ভিজিটরশিং লাকপদা রেষ্ট্রিক্সন থম্বা হৌরগনি। মাস্ক অমসুং হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নবগী চেকশিন থৌরাংসু হেন্না কন্না চৎনহনবগা লোয়ননা স্ক্রিনিংগী প্রোটোকোলশিংসু কনখৎলগনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্‌থনা ৱার্ক প্লেসশিংদা কোভিদ ১৯গী সেফতিগী থৌরাংশিং হেন্না কন্না চৎনহন্নবা পাউতাক পীখ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ফোংনা হায়খি, মদুদি লায়না অসিগী কেস কয়া ইনৌ নৌনা হেনগৎলক্লে হায়বসি মফম কয়াদা টেষ্ট চত্থবদা কনফার্ম তৌবা ঙম্লে। ৱার্ক প্লেসশিংদগী অহেনবা কেস কয়া রিপোর্ট তৌরক্লে। টোপ ওফিসলশিং অসিগী মতুং ইন্না ফিজিদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী কোভিদ ১৯ গী অনৌবা কেস ১৫৮ রেকোর্দ তৌরে। কেসশিং অদুগী মনুংদা ৬৭ তি লৈবাক অদুগী ময়াই থংবা শরুক্তা থেংনবনি।

কেস ৫৩ না ইথৎ লৈবাক অদুগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা থেংনবনি অমসুং অৱাং থংবা অমদি নোংপোক থংবা শরুক্তা মথংশিংনা কেস ২১ অমদি কেস ১৭ থেংনখি।

চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা কোভিদনা মরম ওইদুনা মশাদা হান্নদগী লায়না কয়া চেনবা ভেক্সিন কাপ্তবা মশাগী চহী ৮৯ শুরবা নুপী অমা শিখ্রে হায়খি।

# সাউথ কোরিয়াদা নোং কন্না চুবদগী মীওই ৩ শিরে



সিওল, জুলাই ১ (এজেন্সী): সাউথ কোরিয়াদা চয়োল অসিদা নোং কন্না চুবদগী য়ামদ্রবদা মীওই অহুম শিখ্রে অমসুং লৈবাক শিন থুংনা য়ুম অমদি ফার্মলেন্দ কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে হায়না ইরাই নুমিত্তা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

শগোলশেল নুমিত্তা সেন্ট্রেল সিটি গ্বাংজুদা মশাগী চহী ৯০ হেল্লবা নুপা অমা মহাক্কী য়ুমগী মথক থংবা শরুক কিন্থরকপদগী শিখি। নুমিৎ অসিমক্তদা কেপিটেল সিওলগী খাদা লৈবা য়োংয়িনদা এপার্টমেন্ট কন্সট্রক্সন সাইট অমদা নোং কন্না চুবদগী পুখ্রি অমগুম্না ঈশিং তুংদুনা মদুদা ইরাক্লদুনা কন্সট্রক্সন ৱার্কর অমা শিখি।

গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না নোং কন্না চুবা অদুনা মরম ওইদুনা লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা লৈরিবা ফার্মলেন্দ কয়াগী লম হেক্তো ২৯০০ হেন্না ঈশিং থুমজিনখ্রে।

সিজনগী ওইবা নোংনা উ-ৱা কয়া তেকহনখিবগা লোয়ননা প্রোপর্টি অমসুং ১৯০ হেন্না ঈশিংনা থুমজিনখ্রে অমসুং রেসিদেন্টশিং নমদুনা ময়ুম মকৈ থাদোকহনখ্রে। মফম কয়াদা থোংশিং অমসুং দামশিংসু অমাঙ অতা থোক্লে হায়রি।

চহীগী ওইবা কুমগী নোংগী সিজন অদুনা লৈবাক অদুগী সেন্ট্রেল রিজনদা নুমিৎ হুম্নি নোং লেপ্তুনা চুহনখিবগা লোয়ননা সিজন অসিগী ওইনা চৈথেং খ্বাইদগী চাওনা নঙবা মফম ওইরি।

সেন্ট্রেল রিজনগী মনুং চনবা গ্বোংগি প্রোভিন্স খক্তদা নোং চুবগী চাং চাংচত্তা এমএন ২৭০.৪ ওইখি। শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদসু নোং লেপ্তুনা চুখিবগা লোয়ননা গ্বোংগিগী য়াংজু অমসুং সুওনগুম্বা মফমশিংদা নোংমদা চুরিবা নোংগী চাং অসি এমএন ২৮০ হেল্লে।

ইরাই নুমিৎকী ওইনা হৌখিবা পুং খরা অসিদা নোং চুবগী চাং খরা হন্থরকখিবগা লোয়ননা গভর্নমেন্টনা নোংগী ৱার্নিংগী লেভেল হন্থহনখি। অদুম ওইনমক ৱেদর এজেন্সিনা নুমিৎ অসিমক্তদা গ্বোংগি অমসুং গাংৱানগী মফম খরদা অমদি সাউথ অমসুং নোর্থ চুংচোং প্রোভিন্সকী মফম খরদা অহেনবা এমএন ৪০ দগী ৫০ ফাওবগী চাং নোং চুবা য়াবগী ফিভম লৈবনা মীকুপ নাহুম শীংনা লৈনবা মীয়ামদা পাউতাক পীখ্রে।

# করিয়র দিপ্লোমেট অমবু ফিলিপিন্সকী অনৌবা ফোরেন সেক্রেটরি হাপখ্রে



মানিলা, জুলাই ১ (এজেন্সী): নৌনা এপোইন্ট তৌবা ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট ফর্দিনেন্ট রামুলদেস মার্কোসনা করিয়র দিপ্লোমেট লুই এনরিক মনালোবু ইরাই নুমিত্তা লৈবাক অদুগী অনৌবা ফোরেন সেক্রেটরি ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

মহাকপু ফম অদু হাপত্রিঙৈগী মমাঙদা মশাগী চহী ৬৯ শুরবা মনালো য়ুএনদা ফিলিপিন্সকী পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব ওইনা লৈরম্মী। মমাঙদা মহাক হান্নগী রোদ্রিগো দ্যুটরটেগী এদমিনিষ্ট্রেসন মনুংদা দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেন এফিয়ার্সদা পোলিসিগী অন্দর সেক্রেটরি ওইনা সার্ভ তৌখিবগা লোয়ননা এক্তিং ফোরেন সেক্রেটরি ওইনসু মথৌ তৌখি। কুমজা ১৯৭৯ দগী দিএফএদা থবক তৌরকখিবা মনালো অসি তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিং অমসুং ইন্টনেসনেল ওর্গনাইজেসনশিংদা এম্বেসেদর ওইনা থাদুনা লাক্লি।

মহাক য়ুকে অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা ফিলিপিন্সকী এম্বেসেদর ওইনা লৈরুরবনি। ফিলিপিন্সকী লৈখিদ্রবা লুচিংবা ফর্দিনেন্ট মার্কোসকী মচানুপা ফর্দিনান্দ মার্কোস জুনিয়রবু শগোলশেল নুমিত্তা কেপিটেল মানিলাগী নেসনেল ম্যুজিয়মদা মীওই লিশিং কয়াগী মমাঙদা ফিলিপিন্সকী ১৭ শুবা প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখিবনি। ফিলিপিন কংগ্রেসনা মে ২৫ দা মার্কোসপু মে ৯ দা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্সিএল মীখলদা মায় পাক্লে হায়না লাউথোকখি।

# য়ুএস-মেক্সিকো বোর্দর মনাক্তা মাইগ্রেন্ট স্মগ্লিং ওপরেসনদা কার এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীওই ৪ শিরে

হ্যুষ্টন, জুলাই ১ (এজেন্সী): টেক্সাসকী য়ুএস-মেক্সিকো বোর্দরগা নক্লনা মাইগ্রেন্ট স্মগ্লিং ওপরেসন অমদা কার অমা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীওই মরি শিরে অমসুং অতৈ অহুম্না ফিভম লুনা শোক্লে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

টেক্সাস দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিক সেফতি (দিপিএস) না শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, হ্যুমেন স্মগ্লিং ওপরেসন অমদা শরুক য়ারিবনি হায়বগী চিংনবা লৈবা ড্রাইভর অদুনা লো এনফোর্সমেন্ট কাঙবুশিংদগী নাম্থোক্নবা হোৎনখি অমসুং মহাক্কী গাড়ী অদু কর্ম্মসিএল গাড়ী অমদা থোমজিনখি।

টেক্সাসকী ইন্সিনাল ফাওরিবা আইএচ ৩৫তা থোকপা ক্রাস অদুগী মতাংদা ট্রুপরশিংনা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরি হায়না দিপিএস অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।টাউন অদু য়ুএস-মেক্সিকো বোর্দরগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ৬৪ রোম লাপ্পা লৈবনি।

থৌদোক অদু টেক্সাসকী মরু ওইবা সিটি অমা ওইরিবা সেন্ট এন্টোনিওদা ট্রেক্তর-ট্রেল্লর অমদা মাইগ্রেন্ট ৫৩ গী অশিবা হকচাংশিং থেংনখিবগা মরী লৈননা মীওই মরি চার্জ তৌখ্রবা মতুংদা থোক্লিবনি।



শেমজিন শাজিনবা প্লেট শীজিন্নবা ট্রেক্তর-ট্রেল্লর অদু নিংথৌকাবা নুমিত্তা থেংনখিবা মতমদা মাইগ্রেন্ট ৬৭ পুরম্বনি। রেফ্রিজরেটেদ ট্রেক্তর-ট্রেল্লর অদুদা ঈশিংগী খুদম চাংদম অমত্তা উখিদবতা নত্তনা এয়র কন্দিস্নেল য়ুনিট অমা মথৌ তৌরি হায়বগী খুদম চাংদমসু উবা ফঙখিদে। য়ুএস কষ্টমস এন্দ বোর্দর প্রোটেক্সনগী মতুং ইন্না হৌখিবা মেদা বোর্দরদা রেকোর্দ ওইবা মওংদা মীওই ২৩৯,৪১৬ থেংনখি।

# দোহাদা ন্যুক্লিয়রগী ৱারী শান্নবা পোজিটিব ওইখি

টেহরান, জুলাই ১ (এজেন্সী): কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিল অমুক হিংগৎহন্নবগী পান্দমদা দোহাদা ইনৌ নৌনা ৱারী শান্নখিবা অসি পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইখি হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে। য়ুমশকৈশগী নুমিদাংদা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর হোসেন অমির-অব্দুললাহিন্না কাটারগী মহাক্কী লেঙমান্নবা মোহম্মদ বিন অব্দুল রাহমন অল থানিগা ফোনদা ৱারী শান্নবদা ইরাননা কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিল অদুবু হিংগৎহন্নবগীদমক্তা তুং কোইনা চৎনগদবা অফবা এগ্রিমেন্ট অমা পুরকপা পাম্মী। চৎনবা য়াবা দিল অমা লাক্ত্রিবা ফাওবা ঐখোয়না নিগোসিএসন মখা চত্থনবা ৱারেপ লৌরে হায়না পল্লদুনা অমির-অব্দুললাহিন্না কাটারবুসু লৈবাকপোকপা অমসুং য়ুমশকৈশ নুমিত্তা নিগোসিএসন অদুগী থৌবু ওইবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ইয়ুনা ৱাতেমদুনা ইরান অমসুং য়ুএসকী মরক্তা ইনদাইরেক্ত ওইনা পাঙথোক্লিবা ন্যুক্লিয়রগী ৱারী শান্নবদু পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই হায়না কাটারগী ফোরেন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি অমসুং দোহানা অঙম্বা থাক্তা সাইট খুদিংমকপু মখোয়গী কম্মিটমেন্টশিংদা লাকহন্নবা হোৎনগনি হায়না থাজবা পীখি। ইরাননা কুমজা ২০১৫ গী জুলাইদা মালেমগী পৱারশিংগা জেসিপিওএ খুৎয়েক পীনদুনা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম কন্ত্রোল তৌবগী ৱাফম য়াখি। অমরোমদা, মালেমগী পৱারশিংনসু ইরানদা থল্লিবা অথিংবশিং লৌথোকপগী ৱাফম য়াখি। অদুম ওইনমক য়ুএসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ৱাশিংতনবু কুমজা ২০১৮ গী মেদা এগ্রিমেন্ট অদুদগী হন্দোকহনবগা লোয়ননা ইরানগী মায়োক্তা অমুক হন্না অথিংবশিং থমখিবনি।